# এসিয়ান লৈবাক ১০ গী লুচিংবশিংনা চীফ গেষ্ট ওইনা ইং ২০১৮ গী রিপব্লিক দেগী থৌরমদা শরুক য়াগদৌরি



***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ২৪ ঃ***
সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক ১০ গী লুচিংবশিং ইন্দিয়াগী চৎলিবা চহী ইং ২০১৮ গী রিপব্লিক দেগী থৌরমদা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারগনি।

চৎলিবা চহী অসিগী ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা এসিয়ান নৎত্রগা এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ান নেসনগী লুচিংবশিং শরুক য়াবা অহানবা থৌরম ওইরগনি।

রিপব্লিক দেগী থৌরম অদুদা এসিয়ান লৈবাক্কী মনুংদা য়াওবা লৈবাক থাইলেন্দ, ভিয়েটনাম, ইন্দোনেসিয়া, মালেসিয়া, ফিলিপিন্স, সিঙ্গাপুর, ম্যান্মার, কম্বোদিয়া, লাওজ অমসুং ব্রুনৈগী লুচিংবশিং শরুক য়াগনি হায়রি।

লুচিংবশিং অদুনা শরুক য়াগদৌরিবা থৌরম অদুগী ষ্টেজদা ফুট ১০০ রোম পাক চাওবা বুলেট প্রুপ গ্লাস খাজিনগনি হায়রি।

ইন্দিয়ানা মনিং মখা তম্লকখিবা মতূং ইং ১৯৫০ দগী পাঙথোকপা হৌরকখিবা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা অহানবা ওইনা ইন্দোনেসিয়ানা শরুক য়াখি। ইং ১৯৫০ গী জনুৱারী ২৬ দা পাঙথোকখিবা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা ইন্দোনেসিয়াগী লুচিংবা অমনা অথোয়বা মীথুংলেন্দ ওইনা শরুক য়াখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা রিপব্লিক দেগী থৌরম অসিদা এসিয়ান লৈবাক ১০ গী লুচিংবশিং অথোয়বা মীথুংলেন্দ ওইনা শরুক য়ারগনি। তোঙান তোঙানবা এসিয়ান লৈবাকশিংগী লুচিংবশিং শরুক য়াননবা বার্তন পীখ্রে।

ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদো অহানবা ওইনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইহন্নবা হোৎনরি। সিঙ্গাপুরগী লুচিংবা লিসেন লুং ইং ২০০৪ দা লৈবাক অসিগী রিপব্লিক দেগী থৌরম য়াওখ্রবা মতূং হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা অহুম্নক শুবা ওইনা য়াওবা মীওই অমা ওইরগনি। মদুতা নত্তনা ভিয়েটনামগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং লৈবাক অদুগী মরু ওইবা লুচিংবশিং ইং ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা শরুক য়াখিবসু লৈখ্রে। অদুগুম্বা মীওইশিং অদু চৎলিবা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিপব্লিক দেগী থৌরম অসিদসু শরুক য়াগনি হায়রি।

এসিয়ান লৈবাক ১০ গী দেলিগেদশিংগা লোয়ননা মীওই কয়া চৎলিবা থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা শরুক য়ারগনি হায়রি।

# সিরিয়াদা লৈবা আই এস কী হেদ ক্বার্টরদা য়ু এস না এয়ারষ্ট্রাইক চখবদা মিলিটেন্ট ১৫০ শিখ্রে



***রকা, জনুৱারী ২৪ ঃ***
য়ু এস না লুচিংবা চুঙশিন্নবা কাঙবুনা সিরিয়াদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রকাগী হেদ ক্বার্টরদা এয়ারষ্ট্রাইক চখবদা য়ামদ্রবদা মিলিটেন্ট ১৫০ শিখ্রে হায়রি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না থাংজ নুমিৎতা য়ুফ্রেট তুরেলগী তোর্বান্দা লৈবা তম্পাক অল–সাফা হায়না খঙনবা দের অল–জোরগী মফম অদুদা অকনবা মওংদা এয়ারষ্ট্রাইক চখখি। চুঙশিন্নবা কাঙবুনা ফোঙদোরকখিবদা মিলিটেন্টশিং অদুনা লৈবা মফমশিংদা চপ চানা তার্গেদ তৌখি। থৌদোক অদুদা মীচমশিং খুদোংথিবা নংখিবা লৈতে হায়রি।

চুঙশিন্নবা কাঙবুনা মখা তানা হায়, ইরাক অমসুং সিরিয়াগী ঙমখৈ চাদা ৯৮ মিলিটেন্টশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরকখিবনি। মখোয়না ধর্মগী মিংদা খালিফাট লাওথোক্তুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখি। হৌজিক হৌজিক সিরিয়াগী অপিকপা মফম অমা আই এস না খুদুম চন্দুনা লৈরি। হায়রিবা মফম অদুদা য়ু এস না লুচিংবা কাঙলূপশিংনা অকনবা মওংদা লাল চখরি হায়রি।

চুঙশিন্নবা কাঙবুনা হায়, আই এস কী হেদ ক্বার্টরনি হায়বা মফম অমসুং লালহৌলূপ অদুগী কমান্দ এন্দ কন্ট্রোল সেন্টর মনাক্তা চাওনা ষ্ট্রাইক চখদুনা মিলিটেন্ট কয়া হাৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

চুঙশিন্নবা কাঙবুগী ইন্টিলিজেন্স য়ুনিটনা মফমশিং অদুদা অকনবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা লান্মীগী মীওই অমত্তা শোকহন্দনা মিলিটেন্টশিং লাকশিন্নবা হোৎনরি। মিলিটেন্টশিং অদু মখোয়গী হেদ ক্বার্টরদগী চথোক চৎশিন তৌবগী খুদোংচাবা লৈতে। হেদ ক্বার্টর অদুদা অকনবা মওংদা এয়ারষ্ট্রাইক চখখ্রে। এয়ারষ্ট্রাইক চখবা অদুদা য়ামদ্রবদা মিলিটেন্ট ১৫০ রোম হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

সিরিয়াবু মনিং মখা তমহন্নবা চুঙশিন্নবা কাঙবুনা এয়ারষ্ট্রাইক চখদুনা অকনবা থবক পায়খৎলে হায়না মেজর জেনরেল জেমস জেরেটনা ফোঙদোরকখ্রে।

সিরয়িান দিমোক্রেটিক ফোর্সকা লোয়ননা মিলিটেন্টশিং খুদুম চল্লিবা লমদমশিং অদুদা টার্গেদ তৌদুনা অকনবা মওংদা ষ্ট্রাইক চখরি হায়রি।

তর্কিগী ফোর্স অমসুং এলাইট সিরিয়ান রিবেলশিংনসু মিলিটেন্টশিং অদুনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা মফমশিংদা গ্রাউন্দ ওফেন্সিপ ষ্ট্রাইক চখরি। অফ্রিনগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু ষ্ট্রাইক চখরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

তর্কি য়াওনা চুঙশিন্নবা কাঙবুনা সিরিয়াগী মফম কয়াদা অকনবা মওংদা ষ্ট্রাইক চখদুনা মিলিটেন্টশিং তকথোক্লবা হোৎনরি। চুঙশিন্নবা কাঙবুনা এয়ারষ্ট্রাইক চখদুনা মিলিটেন্ট ১৫০ হাৎপা ঙমখ্রে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# গোরাখপুর, ফুলপুরগী লোক সভাগী মরক্কী মীখলগীদমক পার্টি কয়ানা অকনবা থৌশিল পায়খৎপা হৌখ্রে

***লক্ষনৌ, জনুৱারী ২৪ ঃ***
উত্তর প্রদেশকী ফুলপুর অমসুং গোরাখপুর লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মরক্কী মীখলগীদমক লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি অমসুং ওপোজিসন পার্টিনা অকনবা মওংদা ভোট খোম্বগী থবক চখবা হৌখ্রে। হাংলিবা লোক সভাগী সিট অনীগী মীখল অদু মার্চ থাদা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈরি।

মরক্কী মীখল অদুদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি অমদি ওপোজিসন পার্টিনা অকনবা মওংদা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং অদুগী মফম কয়াদা ভোট খোম্বগী থবক চখবা হৌখ্রে।



গোরাখপুর অমসুং ফুলপুরগী লোক সভা সিট অনী অদু য়ু পি গী চীফ মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা যোগি অদিত্যনাথ অমসুং দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর কেসব প্রসাদ মৌরিয়ানা লোক সভাগী মীরেপ অমা ওইনা ভোট কারকখিবা মফমশিংনি। চৎলিবা থা অসিগী ১৮ দা ইলেক্সন কম্মিসন্না হায়রিবা লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীগী মীখল মার্চ থাদা পাঙথোক্কনি হায়না লাওথোকখিবা লৈখ্রে।

কন্সটিট্যুয়েন্সি অনী অদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অদু বেলোট ষ্টেমদা পাঙথোক্লবা সমাজৱাদি পার্টি অমসুং বহুজন সমাজ পার্টিনা দিমান্দ তৌরক্লি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল অদু এস পি অমসুং বি এস পিগী ওইনদি অচৌবা চাংয়েং অমা ওইরগনি। মদুতা নত্তনা লোক সভা সিট অনীগী মীখল অদু কংগ্রেস অমসুং সমাজৱাদি পার্টিগী অচৌবা চাংয়েং অমা ওইরগনি হায়রি।

বি জে পি পার্টিনা ফোঙদোরকখিবা মরক্কী মীখল অদুগীদমক শেম শারি। পার্টি অদুনা মীখল অদুদা চাওনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা ওপোজিসন পার্টিনা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন্দা থাজদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি। মদুনা মরম ওইরগা হায়রিবা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল অদু বেলোট ষ্টেমদা পাঙথোক্লবা তকশিল্লক্লি। মীয়াম্না হৌজিক চাওখৎপা পাল্লি। মীখলগী মতমদা চয়েৎনবা কয়া থোক্লিবা অদু লোইশিন্দুনা চাওখৎ মায়কৈদা চঙশিনবগী তঙাই ফদবা লৈ।

পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীগী মরক্কী মীখল অদু পাঙথোক্লবা শেম শারে। ফুলপুর অমসুং গোরাখপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখল অদু অশোয়–অঙাম য়াওদনা পাঙথোকহন্নবা ওথোরিটিনা চপ চাবা থবক লৌখৎনবা হোৎনরি।

# বেঙ্গাজিদা কার বোম অনী মথং মথং পোকখাইবদা মীওই ২৭ শিরে



***বেঙ্গাজি, জনুৱারী ২৪ ঃ***
লিবিয়াগী বেঙ্গাজিদা কার বোম অনী মথং মথং পোকখাইবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৭ শিখ্রে। পাউ অসিগী মতূং ইন্না পোকখাইবগী থৌদোক অদুদা মীওই ৩০ রোম অশোক–অপন নংখ্রে। অহানবা ওইনা ময়াই থংবা অল–স্লেমানিদা লৈবা মোস্ক অমদা চাওনা পোকখাইবগী থৌদোক থোকখ্রে। মতম অদুদা মীওই কয়া নুমিদাংৱাইরমগী লাইশোন থৌরম পাঙথোক্লবগীদমক পুন্দুনা লৈবা মতম ওইখি।

অনীশুবা ওইনা মোস্ক অদুগী মতাইদা লৈবা লম্বী অমদা কার বোম পোকখাইরকখি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অমসুং শোক্লবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা মীচম কয়া য়াওরি। পাউ অসিগী মতূং ইন্না অশিবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

লিবিয়াদা থোকখিবা হিংশাগী থৌদোকশিংগী মতাংদা কনাগুম্বা লূপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকখিবা লৈত্রি। মোস্ক অদুগী মতাইদা মীওই কয়া অশোক–অপন নংবা অমসুং মফম কয়াদা মৈ হৌদুনা চাকপা মীয়াম্না উখি। পুলিসনা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং কয়া খোমগৎনবা হোৎনখি। চরাংনবা থোক্লিবা মফম অদুদা শোক্লবা মীওই অমনা তুমিন্না ফমদুনা লৈবা মীয়াম্না উখি।

অতেক–অকায় মরক্তা মীওই অদুনা তুমিন্না ফমদুনা লৈখিবা অদু উবদা মীওই কয়াগী থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফাওখি। এটেক্ট অদু করম্বা কাঙবুনা চখরকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

লিবিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা বোম পোকখাইহল্লকখিবা অদু মীচমশিংদা তার্গেদ তৌবনি হায়না লৌই হায়রি।

# ফোদ্দর স্কামগী অহুমশুবা কেসকা মরী লৈননা লালু প্রসাদ য়াদব চহী ৫ জেলদা লৈবগী দন্দি পীখ্রে



***পটনা, জনুৱারী ২৪ ঃ***
ফোদ্দর স্কামগী অহুমশুবা কেসকা মরী লৈননা লালু প্রসাদ য়াদব চহী ৫ জেলদা লৈবগী দন্দি পীরে হায়না ঙসি লাওথোকখ্রে।

লালু প্রসাদ য়াদব ফোদ্দর স্কামগী অনীশুবা কেস মথংগী থা খরগী মনুংদা পীগদবা দন্দি লাওথোরক্লবা য়াই হায়রি।

বিহারদা লালু প্রসাদ য়াদবনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা শা–ষণনা চানবা সজিক লৈননবা লুপা ক্রোর ৯৭০ লৈঙাক্লা থাদখি। ইং ১৯৯০ দগী ১৯৯৭ ফাওবা লালু প্রসাদনা চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা মতম অদুদা থাদখিবা শেলফমশিং লান্না শীজিন্নৈ হায়বগী ৱাথোক কয়া লৈরে। লুচিংবা অদুতা নত্তনা মহাক্কী মচানুপা টেজাসুইগী মথক্তসু কেস কয়া থাঙ্গৎলকখি।

দন্দি পীরকখিবশিং অদু য়েংলগা তঙাই ফদ্রবদি সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎকনি হায়বগী ৱাফম লালু প্রসাদকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখি।

চৎলিবা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা বিহারগী দেওগর দিষ্ট্রিক্টতা থাদখিবা শেলফম লুপা লাক্ষ ৮৯ নমথাক তৌদুনা লৌথোকখি হায়বগীদমক দন্দি পীখিবনি। ইং ১৯৯০ অমসুং ১৯৯৪ গী মরক্তা থোকখিবা ৱাথোকশিং য়েংলগা লালু প্রসাদ জেলদা লৈবগী দন্দি পীখিবনি।

ফোদ্দর স্কামগী অহুমশুবা কেস অদুদা মরাল লৈরে হায়না লাওথোকপগা লোয়ননা লুচিংবা অদু নৌনা চহী ৫ জেলদা লৈবগী দন্দি পীখ্রে। ৱায়েল অদু লাওথোকপগা লোয়ননা জজনা হায়, মীওই অদু শৌগৎপা মীওইশিংনা আইন কায়না থবক কয়া চঙশিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মদু লাকশিন্নবা ষ্টেট লৈঙাক্লা চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়নসু খঙহনখে।

ফোদ্দর স্কামগী অহানবা কেসকা মরী লৈননা লালু প্রসাদ য়াদব জেলদা লৈবগী দন্দি চহী ৪ গী মমাঙদা পীখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক মহাক বেল লৌদুনা থা ২ রোম মনিং তম্না লৈখিবনি। অনীশুবা কেস অমসুং অহুমশুবা কেসশিং মখা তানা চখরকপগা লোয়ননা অহুমশুবা ফোদ্দর স্কাম কেসকা মরী লৈননা কোর্টনা লুচিংবা অদু চহী ৫ জেলদা লৈবগী দন্দি পীখ্রে।

# এন এস সি এন (কে এন) গী কাদর অহুম এন আই এ, অসাম রাইফলসকী খূৎপু অমনা ফারে

***কোহিমা, জনুৱারী ২৪ ঃ***
নাগালেন্দগী লালহৌলূপ অমা ওইরিবা এন এস সি এন (কিটোভি–নিয়োপাক) কাঙলূপকী মীওই অহুম ফারে। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সেক্যুরিটি ফোর্সনা লালহৌলূপ অদুগী মীওইশিং ফাখিবা অদুনা মরম ওইরগা লূপ অদুদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরগনি হায়রি।

অকক্লবা পাউ অমা ফংবগা লোয়ননা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না দিমাপুরদগী জুনহেবোটো ফাওনবা লম্বী পরীংদা অকনবা মীৎয়েং চঙখি। অসাম রাইফলস অমসুং এন আই এ গী খূৎপুশিংনা লম্বী অদুদা চেক তৌবগী থবক চখবদা মীওইশিং অদু ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

অপুনবা সেক্যুরিটিগী খূৎপু অদুনা কোহিমা নক্লনা লৈবা জুবজাগী চেক পোস্তা গারী কয়া খামদুনা চেক তৌবগী থবক চখখি। মদুদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ অদুগী কাদর অহুম ফাবা ঙমখি। সেক্যুরিটি ফোর্সনা ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা এন এস সি এন (কে এন) গী সেল্ফষ্টাইল ব্রিগেদিয়র অমা অমসুং লূপ অদুগী কাদর অনীনি হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদু মশক মমিং খঙদোকপা ঙম্লে। মখোয় অদুদি সেল্ফষ্টাইল ব্রিগেদিয়র অহেটো ঐচ চোফি, ৱিটি মরক অমসুং মঘাহোটো সুমিনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না ফারবা মীওইশিং অদু তোঙান তোঙানবা থৌদোক কয়াদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

# পদ্মাভটি ফিল্ম রিলিজ তৌখ্রবা মতূং ষ্টেট মরিদা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ২৪ ঃ***
পদ্মাভটি রিলিজ তৌদ্রিঙৈ নোংমা মাঙওইননা ফিল্ম অদু উৎহন্দনবা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে। হরিয়ানা, গুজরাট, রাজস্থান অমসুং উত্তর প্রদেশতা মীয়াম্না হিংশা য়াওবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকখ্রে। হায়রিবা ষ্টেট অদুদা ফিল্ম অদু অথিংবা থমখ্রবনি।

উত্তর প্রদেশকী ইটাৱার লমদমদা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপগা লোয়ননা দুকাল কয়া থোঙ লোনশিনহনখি। পুলিসনা খোঙজং অদু লাকশিন্নবগীদমক ফু–চৈবগী থবক চখখি হায়রি।

রাজস্থান্দা সঞ্জয় লীলা বিন্সিগী ফিল্ম পদ্মাভটি উৎপা য়ারোই হায়না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে। মদুতা নত্তনা দিল্লি, জয়পুর হায়ৱেদসু মশীং য়াম্লবা মীওই কয়ানা তায়ার মৈ থাদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে।



হরিয়ানাগী গুরগাওদা মীয়াম্না লম্বী থিংদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনখি। লোয়ননা বস অমা সোহানা লমদমদা মৈ থাখি হায়রি।

এদমিনিষ্ট্রেসনন্না ফিল্ম অদু উৎলিবা সেনিমা হোল অদুগী মিটর ২০০ না কোনবা মফমশিংদা খোঙজং চঙশিনবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখ্রে। ফিভম অদুনা মরম ওইরগা গুরুগ্রামদা লৈবা ক্লব অমসুং বার কয়া মখা তাবা য়াথং অমা লাক্ত্রিবা ফাওবা থোঙ লোন্নবা খঙহনখ্রে হায়রি।

সেনিমা হোলগী মপু কয়ানা ফিল্ম অদু উৎলরোই হায়না ফোঙদোরকপসু লৈ। উত্তর প্রদেশকী লক্ষনৌদসু মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপা উখি। ওর্গনাইজেসন কয়ানা ফিল্ম অদুগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লি। তোঙান তোঙানব ষ্টেট মরিদা পদ্মাভটি ফিল্মগী মতাংদা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগা মরী লৈননা মীওই কয়া ফাগৎখ্রে। ফাগৎখ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা করনি সেনাগী ৱার্কর ৩০ য়াওরি হায়রি।

পামদবা থৌদোক থোকপা থিংনন্নবগীদমক লৈঙাক্লা হায়রিবা ষ্টেটশিং অদুদা অকনবা থবক পায়খৎখি। গুজরাটকী কোনুং অহমেদবাদতা মীওই ৪৪ ফাগৎখিবসু লৈখ্রে। পদ্মাভটি ফিল্মগী মতাংদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট মরিদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরক্লে। ফিল্ম অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা মীওই ৫০ ফাজিন্দুনা থমখ্রে। মফম কয়াদা লম্বী থিংদুনা খোঙজং চঙশিনবা অমসুং তায়ার মৈ থাবগী থৌওং কয়া চখরি হায়রি।

## GAS TODAY

**Mahalashmi Indane**
Booking : 01/12/17
Valid : 18/11/17
Sl. No. 20370
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 10/12/17
Valid : 06/12/17
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Jemon Gas, Mayang Imphal**
Booking : 28/11/17
Valid : 24/10/17
Sl. No. 16675
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**RBD Gas**
Booking : 10/12/17
Valid : 17/11/17
Stk : 612 CTC
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 16/12/17
Valid : 04/12/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Canchi Indane Service**
Booking : 28/11/17
Valid : 24/11/17
Stk : 306
Rate : Rs. 847.50/-
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 24/11/17
Valid : 06/11/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 31/10/17
Valid : 27/10/17
Sl. No. 8945 upto 9283
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 05/12/17
Valid : 23/11/17
Stk : 306 CTC
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Athokpam Gas**
Booking : 02/12/17
Valid : 26/11/17
Stk : 612 CTC
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Rangchan**
Booking : 28/11/17
Valid : 24/11/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 28/11/17
Valid : 25/11/17
Stk : 306
Sl. No. upto 7341
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Lambodara Indane Service**
Booking : 12/12/17
Valid : 08/12/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 22/11/18
Valid : 19/11/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**সনা–সুদোকু –১০৬২ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 2 | 1 | 8 | 3 | 4 | 9 | 6 | 7 |
| 9 | 6 | 8 | 7 | 1 | 5 | 2 | 4 | 3 |
| 3 | 7 | 4 | 6 | 9 | 2 | 8 | 5 | 1 |
| 2 | 5 | 3 | 9 | 7 | 8 | 6 | 1 | 4 |
| 8 | 9 | 7 | 1 | 4 | 6 | 3 | 2 | 5 |
| 4 | 1 | 6 | 2 | 5 | 3 | 7 | 9 | 8 |
| 1 | 8 | 2 | 4 | 6 | 7 | 5 | 3 | 9 |
| 6 | 3 | 9 | 5 | 8 | 1 | 4 | 7 | 2 |
| 7 | 4 | 5 | 3 | 2 | 9 | 1 | 8 | 6 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1063**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 3 | 8 | | | | | 5 | |
| 7 | | 9 | 4 | | | | 1 | |
| | | | 3 | | | | | 2 |
| 6 | | | | | 3 | | 2 | |
| 3 | | | | | | | 4 | |
| 5 | | 4 | | | 8 | 9 | | |
| | | | | | | | | 3 |
| | 2 | 7 | | | 9 | | | |
| 9 | | | | | | 2 | 6 | 4 |